## এডিটোরিয়েল

### স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মমিংতগী ওইগদৌরিব্রা

সেন্টরগী বি জি পিনা লুচিংবা এন দি এ সরকারগী ২০১৫ তা অহানবা ওইনা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেটতা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা লিংলগনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১০০ হাপতুনা থমখি। মতম অদুদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ঙমখে লৈতনা অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লখিবনি। অদুবু ঙসি চহি ৪ শুরবা ফাউবা য়ুসিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা শক্তম অমা উবদি ঙমদ্রি। মরক অসিদা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী য়াথঙদা য়ু পিগী লক্ষনৌ অমদি পঞ্জাবকী মোহালিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কমপ্লেক্স অমমম শেমগৎতুনা মপূং ওইবা কোর্স কয়া চহি অসিদগী হাংদোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে হায়বগী রিপোর্ট কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। অদুনা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি থমগদৌরিবা অসি মমিংতগী ওইগদৌরিব্রা হায়বসি মীয়ামগী ৱাহং অমা ওইরি। তৌবগীদি ৱাহং অসি অনৌবদি নংতে অদুবু চৎলিবা চহি অসিগী হৌখিবা মার্চ ১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৈঙাং কেন্দ্রগী মনূংচনবা লুৱাংশংবমদা পাংথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী উরেপ–উয়ুং তম্লমখিবা অদুনা খরমখে শোর হোন্থবগুম তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক লক্ষনৌ অমদি মোহালিদা কমপ্লেক্স অনী হাংদোক্লুনা মরু ওইবা কোর্স কয়া চৎলিবা চহি অসিদগী হৌননবা থৌরাং তৌরে হায়বা অসিনা হান্নদগী চীংনদুনা লাকখিবা অদু অমুক্কসু হেন্না চীংনহল্লিবনি।

অমুকসু ২০১৫ তা স্পোর্টস য়ুসিভর্সিটি মণিপুরদা লিংলগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু মরী লৈনবা বীল ২০১৭ অগষ্ট ১০ দা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখি। মদুসু য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর হাউসতা এবসেন্ট ওইবদগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এস এস অলুৱালিয়ানা পুথোকখি। বীল অদু ঙসি থা ৯ শুরবা ফাউবা খন্নদুনা পাস তৌদনা তাদুনা লৈরি। বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী মেম্বর কে এস ঐচ ভাবানন্দ সিংহনদি হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্ট সেসন নুমিৎ ২৩ নি চখবা য়াহনখিদবনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বীল পাস তৌবা ঙমহনখিদবনি হায়না কংগ্রেসপু মরাল শিখিবা লৈখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুরদা লিঙ্গদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি মমীংতগী ওইনা থমদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মীত্তা উৎ চাইগদৌরিব্রা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওইরি।

হৌজিক ন্যুদিলিদা লৈবা নেসনেল এন্টি–দোপিং এজেন্সিগী ওফিসতা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর ফমলি অদুগা ইম্ফালগী খুমন লমপাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ফিজিকেল ইদুকেসন অমসুং স্পোর্টস কোচিংগী কোর্স খক হাংদোক্লুনা মহৈরোই ২৩ না মমিংতগী ওইনা হাংদোকপগুম তৌরি। হায়রিবা কোর্স অনী অসিদি চহি খরগী মমাংদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হাংদুনা সেসন চথুদুনা লৈরিবনি। নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বীল ২০১৭ পাস তৌদ্রিঙৈদা ওর্দিনান্স ওইনা চৎনহন্দুনা লক্ষনৌ অমসুং মোহালিদা মরু ওইবা কোর্স কয়া হাংদোক্লবা ভারত সরকারনা থবক পায়খৎলিবা অসি মফম অসিদা লাকথোক –লাকশিনগী খুদোংচাদবদগীনি হায়না পল্লকপা অসিসু য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদে। অপিকপা ষ্টেটনি, চৎথোক–চৎশিনগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি হায়বসি ভারত সরকারনা খংহৌদ্রা নৎত্রগা খংনা খংনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা ফংনবা মীয়ামগী মীৎ থকহনখিবা ওইরবদি হেন্না খোইরাং–খোইশাওনবা থোকহল্লকপা য়াই। অসিদসু নৎত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লমগী মতাংদা ৱাথোক ওইনখিবা মদুনা মরম ওইরগা থোকহনিংদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা অদু নাথৈদুনা থম্লবদি হেন্না পেন্নদবা শোয়দনা লাক্কনি।

ষ্টেট অসিগী মায় ওইগদৌরিবা অমদি রাজনিতিগী মীৎয়েংদা লমদম অসিগী শান্নরোই অমসুং শান্নববু য়োকখৎপা অমদি পূক্রিং থৌগৎপা মীয়ামদা পীবা খুদোল ওইনা লৌরম্বা অদু অঙাং নিঙাই থেম্বগী মওংদা তাহন্নবা হোৎনবদি চুপ্লোই। হীরম অসিগী মতাংদা পাউ–চে অসিনা মমাং চহি ২০১৭ অগষ্ট ২১ দা মত কয়া ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি মসিদসু নৎত্তনা মাইকৈ কয়াদগী মেদিয়াগী খূৎথাংদা সরকারগী মীৎয়েং চীংশিনখিবা লৈখ্রে। পূন্নমক অসি খংনা ঙসিগী বি জে পি না লুচিংবা ষ্টেট সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চংদুনা মীয়ামগী অশা কায়দনবা হোৎনগদবনি, হোৎনফমসু থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সোরোক্তা হুই লোইরিবশিং থিংবিহৌ

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌজিক লমদমসিদা হুই লোইরিবনি হায়দুনা ফেসন অমা ওইনা চথবদৌনা উরিবসি সরকারগী মরীলৈনবশিংনা কুপ্না থিগৎপিদুনা থিংবিহৌ। হৌজিক লমদমসিদা থোকখিবা হুইনা চিকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাংনখ্রবনি। লমদমসিগী লৈঙাক্কী চৎনবী অমা ওইরিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা থবক হৌবগী চৎনবী ওইহল্লিবসি হন্দক্কী সরকারগী মতমদগী থাদোকপা হৌরসি। সোরোক থোক্তুনা লৈরিবা হুইয়ামশিং সরকারগী মীহুৎশিং পূন্নমক মমল তাংবা কারশিংদা চৎলগসু ফুতানি তৌরিবা মহাজনশিংগী হুইশিং উবিরমগনি। সোরোক্ত চৎলিবা অচৎ অওকশিংদা ওনশিন ওনশিন্দুনা খোংইবা করিগুম্বা কান্দসু চিক্কে তৌবসু য়াওরিবনি। মতাং চাদ্রবদি চীকপসু য়াওরিবনি। মীয়াম ইরাং থোক্লবা মতমদতা থৌনা ফবা শাদুনা প্রজা নিংবা শাদুনা চোংথোকপগী মহুৎ মাংজৌননা শোক্লদ্রিঙৈদা থিংনবা হোৎনবিয়ু। হুইবু ওইরিবশিংসু নুমিদাংগী মতম অথেংবদা হুইশিংদু থাদোকপিয়ু ইশাগী পোৎ চৈ হুরানবনা হুখিদনবা হোৎনবিয়ু। হুইদা সেবা তৌনিংদবা কয়ানা হুই লোইরিবনি হায়দুনা শোরোক্তা নোংহেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবফাওবা সোরোক্তা চৎপা অচৎ অওকশিংদা খোংইবসি ফাজিনবীয়ু। অদোম হুইবুনিনা চিক্তবসু য়াই অদুবু মহু য়াওবা জীবশিংনিনা শিবা হায়বা ৱাফমসি কনাসু পান্নরম্মোই। হুই লোইগে খনবীরবদি হুইকোলথম্বীয়ু মতম চানা চানা হিদাক কাপথোকপিয়ু, ঈ থাংবা পোৎ হিংনা চাহনবীগনু। মীনা লোইরিবা মওংশিংদি তৌদদনা মীসু লোই হায়দুনা পংলোইদা লোইদুনা অমোম লোইবশিংসু মচা ময়াম অমগা সোরোক থোকপা ঙন্নদবসু য়াওনরে। প্রজাগী সেবা নত্তে খন্দুনা মীরাইরিব্রা খংদরে হৌজিক্কী মন্ত্রি মণ্ডলশিংনা প্রজা নুংশিবা শারগা প্রজা লল্লোলিবসিনি। মাংজৌননা চেকশিনবা য়ারিবা থবকশিং অমত্তা পায়খৎত্তনা মখোয় মখোয়গী লনথুম তাশিন খোমজিন্নদুনা লৈথোক্লরি। ইশাগী লনথুমসু লেপশিনবিয়ু লৈবাক্কীসু য়াইফনবা হোৎনবিয়ু, ফোংনা পৈশা তানবীয়ু। ঐখক্তগীদা খল্লগা তৌবদি শুপ্নগী কাংলূপ খরা লৈরিবা মীয়ান্নদি পিকপা কাংবু অমনি হায়রিবশিং নত্তনা ঙম্লোই। মখোয়না তৌরকপশিং অরানববু ওইরবসু ভারত সরকারফাওবা পংথরিবনি। মণিপুর লৈঙাক্তি থম্বু থমখো ভারত ফাওবা পংথখিবদগী শুকলৈ লৈতবা ফুরুপ অমা শেমলগা ডিমান্দ ময়াম অমা চখরি। মখোয়না লোইরিবা হুইলোয়গুম্না অতোপ্পনা মতৌ তম্লুবা ঙমগদবা নত্তে। মখোয়দি য়ানিংদবা নুমিত্তা হাৎলগা থোংদুনা চাথোকপদু অতৈদি ঙন্নদে। হুই হায়বসি লোইরিবা মপু মপুদুনা হায়বশিংদা ইল্লিবনি অদুবু অয়াম্বনা মপু ওইরিবশিংগা নকশিন্নবনা অয়াম্বনি। অফং অফংবা চাদুনা হিংলিবা। মখোয়সিনা শোক্লকপা মতমদা কনানা দায়ত্ব লৌগদৌরিবনো হায়বসিনি। মরম অসিনা লৈঙাক পুবিরিবশিংনা লমদমসিগী প্রজাশিংবু নুংশিরবদি অশোক অপন য়াওনদ্রিঙৈ হোমগী মাইকৈদগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপিয়ু।

অদোমগী
কে ইমো মৈতৈ
ইম্ফাল

## জপ যোগগী দর্শন

*শ্রী স্বামী শিবান্দ সরস্বতি*

**১. জপ করিনো?**

মন্ত্র নত্রগা ভগবানগী মিংলেনবু হন্ন–হন্না শোঞ্জবদু জপ কৌই। কলি য়ুগসিদা অয়ামবা মীগী হকচাংগী ফীভম ফৎত্রবনা হঠ যোগগী অহকপা অভ্যাস তৌবা লুরে। ঈশ্বর ফংজনবগী অরায়বা উপায়দি জপনি। মহারাষ্ট্রগী সাধু দেওগী তুকারাম, ভক্ত ধ্রুব, প্রহলাদ, ঋষি বাল্মীকি, রামকৃষ্ণ পরমহংস মখোয় পূন্নমক্না ঈশ্বরগী নাম জপ তৌজবা খক্তনা অরান–খুভম ফংজখি।

জপ সাধন যোগগী মরু ওইরবা শরুক্নি। গীতাদা ফংবীগনি "যজ্ঞানাং জপ যজ্ঞোহস্মি– যজ্ঞশিংগী মনুংদা জপ যজ্ঞ ঐনি।" কলি য়ুগতা জপগী অভ্যাস খক্তনা লোয়নাইদ্রবা শান্তি, নুংঙাইবা অমদি শিনাইদবা পীনবীবা ঙমই। জপ তৌবনা অরোইবদা সমাধি নৎত্রগা ভগবানগা অমত্তা ওইবা মতৌবু পীবী। জপ শোয়দনমক হৈনবী ওইরক্কনি অমসুং সাত্বিক নত্রগা দৈবভাব অশেংবা প্রেম, শ্রদ্ধাদা শোয়দনা তিল্লগদবনি। জপ যোগদগী হেনবা করিগুম্বা যোগ অমত্তসু লৈতে। মসিনা ইষ্টসিদ্ধি (হেক অপান্বা পূন্নমক), ভক্তি অমসুং মূক্তি পূন্নমক পীবীগনি।

জপ হায়বদি হন্ন–হন্না মন্ত্র শোনববুনি। শ্রীভগবানগী শক্তম মহাক্কী মগুণশিংগা লোয়ননা নীংজবদু ধ্যাননি। জপ অমসুং ধ্যানগী মরক্তা খেন্নরিবসি মসিনি। ধ্যানগী অভ্যাস জপগা লোয়নবা অমসুং জপ য়াওদবা–মখল অনীদা তৌই। অহৌবদা জপগা লোয়ননা ধ্যান তৌবীগদবনি। অসুম্ন–অসুম চঙশিল্লকপগা লোয়ননা জপ মশা মতোমতমক লেপচখি, ধ্যান্দা লৈহৌই। মসি অৱাংবা থাক্কী ফীভম্নি। অদুদগীদি তোপ্পা একাগ্রত অভ্যাস তৌবা য়াই। মসিগী মরমদা খ্বাইদগী পামজবা মওং অদুদা তৌবা য়াই। ওঁ হায়বসি সগুণসু নিগুণসু ওই, হায়বদি ব্রহ্মগী ফোঙদোক্লবা অদুগা ফোঙদোক্তবা শক্তম্নি। রাম ভক্ত ওইবীরবদি ব্রহ্মগী ফোঙদোকপা শক্তমদা পূজা তৌননবা 'ওঁ রাম' হায়না হন্ন–হন্না শোনবা য়াই।

মমিং অমসুং মমিং অদুনা খঙনরিবা পোৎশক (রূপ) অদুগা খায়দোক্লবা য়াদে। ৱাখল অমসুং ৱাহে খায়দোক্লবা য়াদে। অদোম্না ইচানুপাগী মমিং নীংশিংবা মতমদা মহাক্কী শক্তম পুক্নীংগী মীৎমাংদা লেপ্লে, অমসুং মশক্তু নিংশিংলবদা মমিংদুসু শাগোন্নরকই। অসিগুম্না অদোম্না রাম নত্রগা কৃষ্ণগী নাম শোঞ্জবা মতমদা রাম নত্রগা কৃষ্ণগী শক্তম পুক্নীংদা লেঙশিনবীরকই। মরম অদুনা জপ অমসুং ধ্যান অমত্তা ওইনা চৎমিন্নে। মখোয় খাইদোক্লবা য়াদে।

মন্ত্র অমবু জপ তৌরিঙৈদা ইষ্টদেবদা প্রার্থনা তৌরি খনবীয়ু, ইষ্ট দেবনসু প্রার্থনাদু তাবীরি খনবীয়ু। পামজবা বিষয় (মোক্ষ) পীনবীনবীদমক মহাক্না জপ তৌজরিবা অদোমদা থৌজালগী মীৎয়েং য়েংবীরি অদুগা মহাক্কী খূৎনা অভয়া প্রদান (অকিবা লৈহন্দবা) পীবীরি হায়না খনবীয়ু। ৱাখল অসিদা হোংদনা লৈবীয়ু।

জপ ৱাখল চঙনা তৌগদবনি। মন্ত্রগী ৱাহন্থোক খঙগদবনি। পোৎ পূন্নমত্তা অমসুং মফম পূন্নমত্তা মহাক্ন লৈরিবদু অনুভব তৌ। জপ তৌবা মতমদা নশাদু মহাক্কী মনাক্তা হেন্না নকশিন্না লৈয়ু। মহাকপু নশাগী থম্মোই মন্দিরদা ঙাম্থোক্লিনীংউ। মহাক্তি মপুক্নীংগী অউবনি অদুনা মহাক্না নহাক্কী মন্ত্র জপকী সাক্ষি ওইরিবনি।

নাম জপ নত্রগা নাম –স্মরণ (শ্রীভগবানগী নাম নীংশিংজবা) য়াম্না চঙোন্না অমদি পুকচেল শেংনা মপূং ফারবা থাজবগা লোয়ননা শোনগদবনি। মহাক্কী মিংলেন শোঞ্জবদি মহাক্কী সেবা নত্তনা করিসু নত্তে। অদোম্না মহাকপু তশেংনা থম্মোইদা লৈবদু উবা ফংলবা মতমদা ওইগদবা অদুগুম্না মাগী নামবু নীংশিংজবদা নৎত্রগা খল্লুবদা মাবু নুংশিজবা অমদি ভক্তিগী ঈচেলদু লেপ্তুনা লৈহনবীয়ু। নামগী লোইনাইদ্রবদা মহাক্কী মপূং ফারবা শ্রদ্ধা–শক্তি অমদি থাজবা লৈগদবনি।

**২. মন্ত্র যোগ**

মন্ত্র যোগ চপচারবা বিজ্ঞান্নি। "মননাৎ ত্রায়ত্তে ইতি মন্ত্র– মদুদা মনন নৎত্রগা হোঙবা নাইদনা খনবা নৎত্রগা নীংশিংবদগী জীববু কনবী নৎত্রগা পোকপা–শিবগী চক্রদগী নাম্থোকহনবী, মদু মন্ত্রনি।" জীবনা মদুদা ধ্যান তৌজরগা পাপ কোকচরিবা, স্বর্গ ফংনরিবা অমসুং মোক্ষ ফংনরিবা, অদুগা মাগী মতেংনা চতুর্বর্গগী মহে, ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষবু মপূং ফানা ফংনরিবদু মন্ত্র কৌই। পুক্নীংগী থৌওংনা মাবু ফংবা ঙম্নে হায়বদগী মন্ত্র হায়না কৌনবনি। মন্ত্র হায়বা ৱাহৈসিগী অহানবা খোম্থোক 'মন' হায়বা ধাতুগী অর্থদি 'খনবা' হায়, অদুগা 'ত্র' হায়বসিনা 'ঙাকপীবা নৎত্রগা সংসার বন্ধন্দগী নাম্থোকহনবা হায়বা অর্থবু পীবা 'ত্রৈ' শব্দদগী লাকপনি।

মন্ত্রদি দিব্যনি। মসিদি অফবা হকচাংদগী দৈবী শক্তি ফোঙদোরকপনি। মন্ত্র মশামক দেবতানি। সাধক্না মাগী ঙমজবগী থাক্তা দেবতাগী মন্ত্রদুগা মহাক্ন অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবা হোৎনগদবনি অদুগা অসুন্না মানা হোৎনজরিবা অদুক্কী মখে মন্ত্র শক্তিনা মীদুগী সাধনা শক্তিগী অৱাৎপা মেনশিনবী। নুংশিৎনা মৈগী পাঙ্গল হাপ্পগুম সাধক্কী জীব শক্তিবু মন্ত্র শক্তিনা হাপ্পী অদুদগী জীব শক্তিনা মন্ত্র শক্তিগা পূল্লগা হেন্না শক্তিশালি ওইহল্লকই।

সাধক্কী সাধন শক্তিদগী মন্ত্র শক্তিনা তুম্লুবদগী হৌগৎলকপী মওং ওই। দেবতা অদুগী মন্ত্রসি ময়েক অদুনি নৎত্রগা ময়েক খরগী পূনশিনবদুনি, মদুনা সাধক্কী চিত্তদা সাধনা শক্তিগী মতেংনা দেবতাদুগী মশক ফাওহল্লকই। মন্ত্র হায়বসি মঙাল–মশা লৈরবা তেজস নৎত্রগা শক্তিগী মপৈনি। মন্ত্রনা মীরম্লেনগী নত্তবা শক্তিশিং য়াকাইহল্লকই। মন্ত্রনা শেমগৎপগী শক্তিবু থুনা হেনগৎহল্লি। অধ্যাত্মগী পুন্সিদা হকচাং কায়াৎ পূন্নমক লোনদিন্নন থমগদবনি। মখোয় পূম্বা দিব্য অদুগা মপূং ফানা চানবা অমসং য়ানবা ওইহনগদবনি। মতম অদুখক্তদা অধ্যাত্ম তত্ত্বদু খঙলক্কনি। মন্ত্রনা অমতা ওইবা সুরচানবা পোকহল্লি। মন্ত্র অমনা জগৎকা মরী লৈনবা পুক্নীংগী চেতনা অমসুং অহানবা জগৎকী অহেনবা পুক্নীংগী চেনা অনুভব তৌবা ঙমহল্লি। মসিনা সাধক্তা ঙাম্থোকপা, মনীং তম্লকপা, খ্বাইদগী অথোইবা শক্তি, মতম চুপ্পগী নুংঙাইবা অমসুং অমৃত (শিনাইদ্রবা) পীনবী। মন্ত্র অমা অরেপ্পা লৈতনা শোঞ্জবা মতমদা চিং শক্তিদু নত্রগা চৈতন্যদু য়াইকায়রকই। অখণ্ড শক্তি নৎত্রগা চৈতন্য মন্ত্রগী নুংদা লোক্তুনা লৈ।

খোঞ্জেলগী মরু ওইবা ফীভম মরিখক লৈ, মদুদি – (১) বৈখরী নৎত্রগা অকুংবা, নাকোংনা তাঙম্বা খোঞ্জেল, অয়ৌবা চাংগী খোঞ্জেল, (২) মদ্যমা নৎত্রগা মনুং থংবা, অকুপ্পা, আকাশকুম্না হেন্না কুপ্লবা হকচাংগী নাকোংনা তাঙমদ্রবা, (৩) পশ্যন্তী অমুক হেন্না মনুং থংবা কুপ্লবদগী কুপ্লবা ফীভম, (৪) পরাদি ঈশ্বর শক্তিনি, খোঞ্জেলগী মরম ফোঙদোক্তবা, খায়দোক্তবা ফীভম্নি। পরা খোঞ্জেলদি বৈখরীগী গুম্না তোঙান– তোঙানবা লোলশিংদা খেন্নবা লৈতে। মসিদি হায়বদি শব্দ ব্রহ্ম নৎত্রগা পরা শব্দদি খোঞ্জেল পূন্নমক্কী মরু ব্রহ্মগুগী আদি (অহানবা) নিত্য (মতম চুপ্পা) গী হোংনাইদ্রবনি। মন্ত্রগী অর্থ খঙজদ্রবসু জপ অভ্যাস তৌজরিবা সাধক্না জপ সাধনা খক্তনা মহাক্কী খ্বাইদগী ৱাংলবা পান্দম ফংজবা ঙমই। মসিদা মতম খরা হেন্না চঙবতনি। ভগবানগী মিংলেন নৎত্রগা মন্ত্রদা হায়ঙমদ্রবা পাঙ্গল নৎত্রগা শক্তি অমা লৈ। পূক্নীং অমতা ওইনা মন্ত্রগী অর্থ খঙনা হন্ন–হন্না শোঞ্জরবদি ভাগবতা চৈতন্য মতম চঙদনা ফংজগনি।

হন্ন–হন্না মন্ত্র জপ তৌজবনা পূন্নমক্কী অমোৎপা কাম, ক্রোধ, লোভনচিংবা পূন্নমক লৌথোকপী। মিংশেলদু শেংদোক্তুনা অমোৎপা কোক্লবদা মদুদা মিশেংনা উবগী শক্তি ফংলকই, অদুগুম্না পূক্নীংগী অমোৎপশিং লৌথোকখ্রবদা পূক্নীংসু হেন্না ৱাংবা থাক্কী আধ্যাত্মিক অত্যগী মতীক–মঙাল ফোঙদোক্লকপা ঙমই। সাপোন্না ফিশিংগী অমোৎপা কোকহনবগুম আধ্যাত্মিক সাপোনগী মশক ওইবা মন্ত্রনা পূক্নীং তশেং–তশেংহল্লি। মৈনা সনাগী অমোৎপশিং শেংদোকপগুম্না মন্ত্রনা পূক্নীংগী অমোৎপশিং শেংদোকই। শ্রদ্ধা, ভাব অমদি মন্ত্রগী অর্থদা পূক্নীং অমতা ওইনা মন্ত্র খরদা জপ তৌজবনা ফাওবা পূক্নীংগী অমোৎপশিং পূন্নমক মাঙহল্লি।

*(অনীশুবা শরুক মথং লৈবাকপোকপদা)*

***মণিপুরীদাঃ ৱাংখেম য়ুগেশ্বর সিংহ***

## শিব নাইদবা আত্মা

*হুইরেম দেবেন্দ্রকুমার সিংহ*

কুরুক্ষেত্র লানফমদা লান হৌদ্রিঙৈদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মনাই অচানবা অর্জুননা লানথেংনগনি হায়দুনা লাক্লবা আত্মীয়বর্গ মরুপ মপিজা, গুরুজন অমসুং মচাশিং ময়াম উবদা মপুকনীং য়াম্না লাংতক্লখি অদুগা ভগবান শ্রী কৃষ্ণগী মফমদা ঐগী স্বজনশিং (Relatives) হাৎলগা ঐগী রাজ্য হস্তিনাপুর হঞ্জিনবা পামদে হায়খি। মতাং অসিদনি ভগবানা শ্রী কৃষ্ণনা মনাই অর্জুনদা হাৎপা অমসুং শিবা কীদনবা আত্মাগী অমরত্ব (Immoratality of Soul) হায়বদি আত্মাদি অমরনি শিবা অমসুং পোকপা লৈতে হায়দুনা তাকপিখিবা।

তাঞ্জাসিদা ৱাহং অমা লাকই অর্জুনগা লানথেংনগনি হায়দুনা লাক্লবা ভীষ্ম, দ্রোণ, অশ্বথামানচিংবা লান্দা থৌরবা কল্লবা মহাবীর ময়াম উবদা অর্জুন কীবগুম তৌব্রা হায়দুনা। ভগবৎ প্রেমীশিংনা নিংশিংবিগনি অর্জুনগী শক্তি অমসুং থৌনাদি অদুক্কি মতীক লৈখ্রে, মহাক্না কল্ল–কল্লবা লান্দা থৌরবা হীংচাবা কয়া কয়া হাৎপতা নত্তনা ভীষ্ম, দ্রোণ, কর্ণবুসু মতোমতনা লাম্বা তৌখি অমসুং মায়থিবা পিখি। মহাকপু মীনা মায়থিবা পিবা ঙমদে, ওই–য়েৎ চপ মান্নন তেন খুৎলায় শিজিন্নবা ঙমই হায়দুনা সব্যসচী মীংথোনবিরিবনি। অদুদি সম্রাট অশোকতৌনা লান্দা মী কয়া হাৎলবা অমসুং লৈবাক কয়া জয় তৌরবা মতুংদা অহিংসাগী ৱাখল লাকপনরা মহাক্না লান তৌজরোই হায়রিবসিদি। মতাংসিদা হায়জনিংই কয়াদা ফজনা উৎখ্রবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনগী স্বাভাবিক মহৌশা ওইবা চরিত্র (character) অসি। হায়বদি সাধারন অচম্বা মী অমগুম্না মচামশু বারি সম্বদ্ধি শোক্লগা মপুকনিংদা অৱাবা নুঙাইতবা পোক্লবগুম অর্জুনবুসু অৱা নুঙাইতবা পোকহনলি। শ্রীবিনোবা ভাবেজীনা অর্জুনদা পোকখিবা ৱাখল অসি মহাক্কী Talks on Geeta দা জজ সাহেব অমনা মচা শোক্লবদা খনখিবা ৱাখল অদুগুম্বনি তাকপি। ভাবেজীগী ৱারি অদু শম্লপনা নিংশিংজগে "জজ–সাহেব অদুনা মীহাৎপা খুদিংমক্কী বিচার তৌবা মতমদা ফাঁসি তৌদুনা মরাল লৈরবা মী অদুবু হাৎনবা হুকুম তৌর তৌরদনা লাকখি। নোংমদি মহাক্কী মচামক মী হাৎলুবগী বিচার তৌবা তাখি। মতাং অসি য়ৌরক্লবদা মচামক শোক্লবদুদা জজ সাহেব অদুনা ৱাখল কয়ামরুম খনবা হৌরকখি। মহাক্না খল্লি– ফাঁসি তৌবা হায়বসি হীংচা–য়াইতম্বনা তৌগদবা থবকনি। অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মী–ওইবা সমাজগী লেমজনিঙাই ওইদে। ফাঁসি তৌদুনা হাৎপনা অরানবা মী অদুবু অমুক চুমথোকপগী তাঞ্জা পীদে। মী অমা হাৎলুবগী থৌদোক অসি অয়াম্বা মতমদা অশাওবনা থুমহৎতুনা থোকখিবা ওইগল্লি। মী অদুনা শাওবা ফখ্রবা অমসুং মশানা মহাক্নি মরালনি হায়বা জ্ঞান তারবা মতমদা ফাঁসি তৌদুনা মহাকপু অমুক হাৎপা হায়বসি মহা পাপকী থবক্লি।" য়েংবিউ জজ সাহেবকী ৱাখল অসি মীয়ামগী ওইবা ৱাখল নত্তে মচা শোক্লবদুদা খল্লকপা ৱাখলনি। অসিগুম্বা ৱাখল অসি মীওইবা খুদিংদা চেনবগুম্না মনাই অর্জুনসু ৱাখল অসিনা থুমহৎতুনা লান তৌজররোয় রাজ্য হঞ্জিনবা নিংথৌ ওইবা অমত্তা পামদ্রে অদুগী মহুত্তা ভীক্ষাজিবী ওইদুনা লেনবনা ফগনি খনখিবনি অমসুং তাকপিখিবনি। ঐহাক্না হায়জনিংই মনাই অর্জুনগী অসিগুম্বা ৱাখল ভাবনা অসিমক্না গীতাগী হৌরকফম ওইগদ্রা হায়দুনা?

মতাং অসিদগী হৌদুনা শ্রীভগবাননা মনাই অর্জুনগী মফমদা অসুম হায়না তাকপিখি– হে অর্জুন! নহাক্না উরিবা কল্ল কল্লবা নিংথৌশিং অমসুং ঐখোই পূন্নমক হান্না লৈরমদবনি অদুগা তুংদসু লৈরোয় হায়না খনবা অরানবনি। ঙসি নহাক্না উরিবা ঐখোই অমসুং মখোয় পূন্নমক অসি পোকত্রিঙৈ মমাংদসু লৈরমই শিরগসু লৈগনি। মরমদি আত্মাদি পোকতে, শিদে মহাক্তি অমরনি। মী হায়রগা হকচাংতবু খংগদৌবা নত্তে। মী হায়বদি আত্মানি। হকচাংদি পোকই অমসুং শিখিগনি। অদুগা শিবা হায়বা অসিনা আত্মাদি শোকপা ঙমদে। শিবনা ঐখোইগী স্থলদেহ (Physical Body) দি মাংহল্লি। মীদি আত্মাদি মাংহনদে। গীতাগী ২ শুবা অধ্যায় ২২ শুবা! শ্লোকতা হায়রি। "ঐখোইনা ফুরিৎ ফিজোল মল্লগা অহনবা শিনদোকই অসুম তৌদুনা হকচাং অসিনা শোল্লবা মল্লবা মতমদা অনৌবা হকচাং অমুক লৌখি, অসিনা তাকপদি শিরবা মতুংদা অমুক পোকই হায়বনি। অমুক পোকপা হায়বদি হকচাং অনৌবা ওনথোকই তাকপনি। অঙাংদগী পাখং, পাখংদগী অহল মথং মথং ওইরকপগুম শিবনা মীওইবগী হকচাং মথং মথং ওনথোকহনবনি।"

আধ্যায় অসি ২৩ শুবা শ্লোকতা অমুকসু তাকপিরি, "মচেৎ –মকায় তাবা পোৎ নত্তবদগী আত্মা অসিবু খূৎলাইনা ককথৎপা ঙমদে, মৈনা মাবু চাকথোকপা ঙমদে, ঈশিংনা মাবু চোৎহনবা ঙমদে অমসুং নুংশিৎনা মাবু কংহনবা ঙমদে"

তাঞ্জাসিদা গ্রীক লৈবাক্কী অফাউবা দার্শনিক সোক্রেটিশনা শিরমদাইদা হায়খিবা ৱাহে খরদং পনজগে। দার্শনিক সোক্রেটিশনা আত্মাদি শিদে, পোকতে অমসুং স্থলদেহ (Physical Body) গা করিসু মরি লৈনদে আত্মাদি অমরনি হায়না মীয়ামদা (খৃষ্ট ধর্ম্মগী থাজবগী মাইয়োক্তা) প্রচার তৌরুবগীদমক মহাকপু অঙাওবনি হায়দুনা মতম অদুগী নিংথৌনা ফাজিনখি, অমসুং মরাল অদুগীদমক মহাকপু ফাঁসি তৌদুনা হাৎনবা হায়খি। ফাঁসি তৌদুনা হাৎপগী রায় তাদুনা লৈরবদা নোংমা মহাক্কী য়াম্না চাল্লবা শিষ্যঅমা মহাকপু উন্নবা লাকখি অমসুং হংখিরম্মী– "গুরুদেব, নহাক্কী দেহ হকচাং অদু ফাঁসিনা শিরবা মতুংদা করমদৌনা পোৎলোয়গনি" মহাজ্ঞানী সোক্রেটিশনা অসুম হায়না খুমখি "ঐগী হকচাং অসি নখোইনা আপাম্বা মওংদা পোৎলোয়বা য়াগনি অদুগা অসিমদি শোয়দনা খংগদৌবনি লৈহৌরিবা হকচাং অদু সোক্রোটিশ নত্তে।" হায়বদি সেক্রেটিশকী আত্মাদি শিদে শিরিবদি স্থুলদেহ অদুনি তাকপিখি। দার্শনিক অসিগী পাউখুম অসিনা ময়েক লানা তাক্লি আত্মাদি হান্না লৈরম্লবনি অমসুং শিরগসু লৈগনি মহাক্তি মাংবা লৈতে।

ৱাফম অমগা পনজগে অফাউবা ইংলিশ বৈজ্ঞানিক অমসুং দর্শনিক বার্ত্রাণ্ড রাশেলনা মহাক্কী মচা অনী চহি ৮–১০ দা ঙাইরিবা অঙাং অনীদা খৃষ্ট ধর্ম্মগী তত্ত্ব তাকপিবা মতমদা মচা অনীনা মপাদা হংখিরমই মখোই অনীনা মহাক্কী মচা ওইনা পোকত্রিঙৈ মমাংদা করি ওইরমই অমসুং কদাইদা লৈরম্বগে হায়দুনা। মপানা খৃষ্টান ওইবনা হিন্দুশিংনা চেৎনা থাজরিবা (Redirth Theory) পোকপা শিবগী ৱাফম অসি মচা অনীদা তাকপিদবনা মখোইগী মপোক অসিগী মাংদা করিসু ওইনা লৈরমদে হায়না হায়বদা মচা অনী অদুনা মপানা হায়বদো থাজবা ঙমদে। পিক্লীবা মচা অনীনা খল্লিThere cannot be anything without something before. পোৎ অমা হান্ননা লৈরমদনা করিগুম্বা অমা ওইরকপা ওইথোক্তে। কয়াদা চুমখ্রবা ৱানো। হায়বদি মখোইগী আত্মা হান্না লৈরম্লবনি তাকপনি।

মতাংশিদা ৱাহে অমত্তং পনজগে ঐখোইনা নুতিগী থৱাই হকচাং য়োক্লবা চারিবা অসি চাক নৎত্রগা গেহুনি। ঐখোয়না খঙই চাক অসি ফৌদগী ফংবনি অদুগা ফৌনা ফৌ পাম্বীদগী অদুগা অমুকসু ফৌ পাম্বীদি কদাইদগী ফৌদগী। অদুদি কনানা হান্না লৈরম্লবনো ফৌনরা নৎত্রগা ফৌ পাম্বীনরা? অসিননি অঙাং অনী অসিনা য়াম্না Simple ওইবা ৱাহৈদা – There cannot be anything without something before হায়রিবা।

শ্রী অরবিন্দ সোসাইটিগী নবজাতনা ইবা মহাক্কী "Divine life in a Divine Body" হায়বা লাইরিক অদুদগী ৱারি অমতা নিংশিংজরগা লোয়শন্নবা তৌজরগে। নোংমা নৌনা লুখ্রাবী ওইরবী নুপী অমা পণ্ডিচেরীদা লাকখি। নবজাতনা মহাকপু শ্রীমাগী মনাক্তা পুরকখী। নুপী অদুনা শ্রীমাবু খুরমজে। মহাকপু মুন্না য়েংলগা শ্রীমানা হায়খি নুপী অসিগী মশাদা নুপা অমা য়াওরি(লোয়নরি)। ৱাহে অসি তারবদা নবজাতনা নুপীদুনা হংখিরম্মী। ইবেম্মা নহাক্কী নুপরোইবা লৈখিদবা কয়া কুইরে। নুপীদুনা থা তরুক শুরে খুম্লকখি। নবজাতনা অমুক হংলি নহাক শিখ্রবা নপুরোইববু উব্রা? নুপীদুনা খুমলকই Con-stantly .অতৎপা লৈতনা উবা ফংই অদুগা মখাতানা হায়রকই– ঐহাক্তি ইপুরোইবনা শিদ্রিঙৈদা তৌরম্বা Business কারবারগী মরমদা ঐহাক করিসু খংদে অদুগা মহাক্না থম্লম্বা অঙাংশিংসু নাবালক ওইবনা ঐহাক ইশা মক্না তৌরম্বা কারবারদু য়েংশিনবা হৌজখি অমসুং থবকতুদা ঐহাক্কী লৈখিদ্রবা ইপুরোইবনা করিমত্তা লেংদনা লৈদুনা লমজিংবি অমসুং তাকপি।

মথক্তা পনজরিবা ৱাফম অসি ওইবা য়াবা ৱাফমনি হায়না খনজে। মরমদি নুপা অদুনা শিরমদাইদা য়াম্না ৱানা খনখিরম্বতাই মহাক্না শিরবদা মহাক্না তৌরম্বা কারবার কনানা য়েংশিনবিগনি হায়দুনা অদুগা মহাক্কী নুপীদুনসু মহাক্কী মপুরোইবনা শিখ্রবদা করম তৌগনি হায়না ৱানা খনখিবা। মখোই অনীমক্না মতম অমত্তদা খনখিবা ভাবনা মান্নখিবা। মখোই অনীমক্না মতম অমত্তদা খনখিবা ভাবনা মান্নখিবনা চৎখিদৌবা আত্মানা Receptive ground হায়বদি চোংশিনফম ফংখিবনি। অদুনা শিরমদাইগী (অন্তকাল) মতমদা খনখিবা ভাবনা মতুং ইন্দুনা মহাক্কী আত্মাদু মহাক্কী নুপীগী আত্মাদা তিনখিব্রা হায়জনিংই।

অদুনদি করিগুম্বা মতমদা (Rebirth) অমুক পোকপা ঙাইদনা ঐখোয়গী আত্মাসি হান্ননা পোকখ্রবা লৈখ্রবা মহাক্না নুংশিজবা নুংশিজবী মী অমগী আত্মাদসু মহাক মহাক্কী ভাবনা মতুং ইন্দুনা তিনলুব্রা হায়বা ৱাহং অমা গুরুজনশিংগী মফমদা থমজরি!

মতাংসিদা গীতাগী অষ্টম অধ্যায়গী (৬) তরুক অমসুং (৫) মঙাশুবা শ্লোকশিং অমুক্তং পনজগে "হে কৌন্তেয়, মী অদুনা হিংলিঙৈদা তত্তনা নিংজরকপা অদু মহাক্না শিরমদাইদা নীংশিংই, শিরমদাইদা নীংখিবা য়াম্না পামজবা মওং অদুমক শিরগা ফংলুই।"

"শিরমদাইগী মতমদা ঐবু নীংশিংদুনা হকচাং থাদোকপা মীনা শোয়দনমক ঐঙোন্দা তিল্লে হায়বসি চিংননিঙাই লৈতে" তাকপিরি।

অরোইবা ওইনা ঐনা হায়জনীংই গীতাশাস্ত্রনা তাকপিরিবা অসিত নত্তনা মহাজ্ঞানী অমসুং মহাপুরুষশিংনসু আত্মা পোকতে শিদে অমরনি হায়বা ৱাফম অসি থাজখ্রবা অমসু অচুম্বনি হায়না লৌখ্রবনি। অদুনা – "The end of this life is the beginning of the next" হন্দক্কী পুন্সিগী অরোইবনা মথংগী অহৌবনি হায়রি। হায়রিবা ভাবনা অসিতনা মীওইবা ঐখোয়না শিববু জয় তৌবা ঙমদুনা মুক্তি হায়বদু ফংগদৌবনি। অদুনা শিবগীদমক কিবগী করিসু ৱাফম লৈতে অদুন্নদি ওইরগা অকিবা অমতংদি লৈ অদুদি মথংগী মপোক করি ওইনা হৌরুগদগে হায়বগী। অদুনা মথং হৌবদা মপোক অফবা ফংনবগীতমক পুক্নিংদা চেৎনা থাজবগা লোয়ননা তাইবঙপান মপু ইবুঙো মহাকপু তত্তনা শক্কনি শোনগনি।

## থাজবা উপায় পুথোকঙম্বা হনুমান

য়াম্না থুনা রাম অমসুং লক্ষ্মননা মাবু অফা–অপুন্ননা লৈরিবা অদুদগী কল্লরগনি হায়না অচেৎপা থাজ–ৱা হায়রগা হনুমান সীতাদগী বিদায় লৌরবা মতুংদা মহাক করি তৌসিগে খল্লকই। মহাক রামগী মনাক্তা হল্লগদ্রা? অদু ওইরবদি রামনা হংলকপা য়াই–নঙ লঙ্কা অমদি রাবন উরল্লব্রা অদুগা মহাক্না য়েক্লবগী লান্মীগী মপাঙ্গলগী হিসাব অমা পিফম থোক্তব্রা? কনা অমত্তনা খংহন্দনা মহাক লঙ্গাদা লাক্লে অমসুং পীতাগা উন্নরে। হৌজিক মহাক্না রামগী গুপ্তচোর (পাওপুবগী) অমা ওইনা লাকপগী মপূংফাবা থৌওং করি ওইগনি?

হনুমানবু ফিদমনফম ওইবা পাওখোল্লোই অমগী মচৎকী খুদম ওইবা য়াবা অমা ওইনা বাল্মীকীনা উৎলি হায়না কলয়ানপুরম শ্রী অরাভমুধবারিয়রনা খন্ন–নৈনবা অমদা থিন্দুনা তাক্লি। মহাক্না মাগী মরু ওইবা শিন্নরকপা মথৌদি পাংথোক্লবসু করিগুম্বা খরদি তৌগদবা ৱাৎলি হায়না খল্লি। রাজনিতিগী ওইবা লাল্লোংদা য়েক্লবা অমগী তৌনগদবা হিরম মরী লৈ– চান্নশনবা (সমা), শেন্নবিবা (দান), মচেৎ তাহনবা (ভেদা) অমসুং মায়োক্লদুনা লান শোক্লদুনা শক্তি উৎপা (দণ্ড)। হনুমাননা অকোনবগী লাল্লোং অসি খল্লদুনা ফোংনা লান্দারে। মহাক্না অশোক বনগী উপামম্বীশিং মাংহনবা হৌরে। পাও অসি রাবননা তারদুনা মাগী শক্তি লৈরবা লান্মী, য়োং অদুগা লান তৌনবা থারকলে। হনুমাননা অকনবা লাম্বা তৌদুনা হিংচাবা লান্মী ৮০,০০০ (লিশিং মরিফু) হাৎতোকলে, মমৈথংদা ইন্দ্রজিৎ ওইনা লাম্থেংনবা থারকলে।

ইন্দ্রজিৎনা মাগী অকনবা খুলাইশিংনা হনুমানবু করিসু মাংহনবা ঙমদ্রে খংলদুনা ব্রহ্মস্ত্র শিজিন্ননবা খল্লকলে। হনুমাননা খংই ব্রহ্মস্ত্রনা মহাকপু মতম খরা ফাজিন্দুনা থম্বা নত্তনা মঙোন্দা অমাংবা খুদোংথিবা থোকহনবা তৌরোই। মরম অসিনা মহাক তুখরে, হিংচাবশিংনা মাবু অকনবা থৌরিনা পুমশিল্লে মরমদি মখোয়না মহৌশাদগী হেনবা (সুপরনেচরেল) খূৎলায় অসিগী অরোনবা মগুন খঙদে। খূৎলায় অসিদা শোনখিবা মন্ত্রগী শক্তি অদু পাল্লুরিবা মীগী মশাদা অতোপ্পা অফা অপুন তৌবা মতমদা মথন্তা মাংজখি। ব্রহ্মস্ত্রগী শক্তিদগী নাম্থোক্লবসু হনুমাননা নাখোক্তবা মালহনল্লগা মাবু রাবনগী মনাক্তা পুহনলে। মহাক্না য়াম্না চাওথোক্না মহাক সুগ্রীব অমসুং রামগী দুতনি হায়না শকতাক্লে অমসুং চেকশিনৱা হায়– "সীতা অসি অতৈ কনাসু নত্তে মহাক লঙ্কাবু মাংহন্নবা লাকপী "কালারত্রী" হায়বদুনি অদুনা সীতাবু রামদা হঞ্জিনহন্দুনা লঙ্কা কননবা হোৎনৌ হায়না হিংচাবগী নিংথৌ অদুদা পাওতাক পীখি।

***কর্টেসিঃ ডি হিন্দু,***
***মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা***